TATASKY HD FREE
40″LED TV
= ₹ 31000
DVD/STAB./
TATA SKY HD FREE
32″LED TV
+ 190LT REFRIG
+ 7.3KG W/MACHINE
= ₹ 37000
PANA LADY. CHINGTAM. KHOYATHONG RD.
NAMBOL. KAKCHING. THOUBAL.
VIDEOCON HOUSE. PAONA BAZAR. IMP.

facebook.com/sanaleibak.daily

চহি চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে

RNI Regd. No. 31350/77 ₹ 3.00
E-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com,
sanaleibakdaily2008@gmail.com

[illegible]
সনালৈবাক

DVD/STAB./
TATA SKY HD FREE
24″LED TV
+ 170LT REFRI:
+ 7.2KG H13 W/MACHINE
= ₹ 29000
24″LED TV
+ 190LT REFRIG
+ 7.2KG H11 W/MACHINE
= ₹ 30000
PANA LADY. CHINGTAM. KHOYATHONG RD.
NAMBOL. KAKCHING. THOUBAL.
VIDEOCON HOUSE. PAONA BAZAR. IMP.

নুমিৎ হুন্নি চথগদবা চিলদ্রেন এন্দ য়ুথস রিন্টর ইর্ন্টনসিপ এম য়ুগী ন্যু সোসিয়েল সাইন্স ব্লোক্কী লেকচর হোলদা হৌদোকখিবা থৌরমদা দোনর মিনিষ্ট্রি গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়া ষ্টিয়ারিং কম্মিটিগী ফোর্মর মেম্বর প্রো এন মোহেন্দ্রোনা ৱা ঙাংখিবা

সেন্সসকী থবক থৌরমদা মথৌ নিংথিনা পাংথোকখিবা মীওইশিংদা ডাইরেক্টর সেন্সস ৱাই থামকিশ্বরনা মেদল খুৎশিন্নবা

Vol : 41 Issue : 72 Pages : 8 Website: www.sanaleibak.in Imphal, Friday, January 30, 2015 ইরাই, ফাইরেনগী ১১ নি পানবা

ফাইনান্সিয়েল ইয়ার লোইগদবা থা অনিখক্তা ঙাইরবসু প্লানগী শেনফম চাদ ২৯ খক্তা শিজিন্নরি

এস এন এস

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৯ ঃ শেনবা-থুম্বা চহি ফাইনান্সিয়েল ইয়ার এন্যুয়েল প্লানগী অহুম শুবা ক্বার্টর লোইবা দিসেম্বর ৩১, ২০১৪-১৫ ফাওবদা কুমশি চহিগী টেন্টেটিব ওইনা লেপখিবা প্লানগী শেনফম লুপা ক্রোর ৩,২০০গী চাদ ২৯.২ ফাওবদমক শিজিন্নরি। অদুগা হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা থাদোক্লকপা প্লানগী শেনফম কোটি লুপা ক্রোর ১,৭৫৫দগী পারগদি চাদ ৫৩.৩ শিজিন্নবা ঙম্লে।

অসুম্না মণিপুরগী শেমগৎ-শাগৎপগীদমক্তা থাদরক্লিবা শেনফম শিজিন্নবগী চাং হন্থবা অসিগী মতাংদা চীফ সেক্রেটরি পি সি লোমকুঙানা এদিস্নেল চীফ সেক্রেটরি, প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি, কম্মিস্নার, সেক্রেটরি লোয়নন্না হেদ ওফ দিপার্টমেন্টশিংগী মীতিং অমা পাংথোক্তুনা রিভ্যু তৌখ্রে। লোয়ননা জনুৱারি লোয়বা ফাওবদা প্লানগী শেনফম চাদ ৬০দগী ৭০ ফাওবা শিজিন্নবা ৱারেপ লৌখি।

সেন্ট্রেল স্পোন্সর স্কিমশিং অমদি ফ্লেগশিপা প্রোগ্রামশিং পায়রিবা দিপার্টমেন্টশিংনা মখোয়দা থাদোরকখ্রবা ফন্দশিং লোয়ননা ফাইনান্স দিপার্টমেন্টনা ওথোরাইজ তৌখ্রবশিং অদু খুদক্তা শিজিন্নথোক্লগা য়ুটিলাইজেসন সার্টিফিকেট মরী লৈনবা মিনিষ্ট্রিশিংদা পীশিন্দুনা মখা তানা ইন্সটোলমেন্ট লৌথনবসু মীতিং অদুনা লেপ্পখি।

মরী লৈনবা সেন্ট্রেল মিনিষ্ট্রিশিংনা ২০১৪-১৫গী পীরক্কদৌবা ইয়ারমার্ক তৌরবা ফন্দশিং অদুসু মতম চানা য়ুটিলাইজেসন সার্টিফিকেট পীশিন্দুনা ফংনবা হোৎননবসু মীফম অদুদা য়ানখি।

ফাইনান্স দিপার্টমেন্টনসু দিপার্টমেন্টশিংদগী সেঙ্কসনগীদমক লাকপা প্রপোজেল খুদিংমক হেক য়ারিবা মখে থুনা লোইশিল্লগা থাদোকখিনবা লেপ্পখিবগা লোয়ননা করিগুম্বা প্রপোজেল অমা চয়োল অনি ফাওবা পম্থদুনা লৈরবদি চীফ সেক্রেটরি অমদি চীফ মিনিষ্টরদা খঙহল্লক্কুবা খঙহনখি।

প্লাগী শেনফম শিজিন্নবগী চাং অসি রিভিয়ু অমুক ফেব্রুৱারিগী অনিশুবা চয়োলদা তৌগদৌরি।

হৌজিক ফাওবদা দিপার্টমেন্ট অয়াম্বনা মখোয়না শিজিন্নবগীদমক্তা শিন্নখ্রবা শেনফমশিং অয়াম্বা শিজিন্নবা ঙমদনা লৈরি। তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিংনা শিজিন্নখিবা প্লানগী শেনফমগী চাং অসি সেরিকলচরগী চাদ ০.৮১, এম এ বি সিগী চাদ ২.৭৮, পি দব্লিয়ু দি গী চাদ ১০.২৫, ফোরেষ্টকী চাদ ১০.৪৫, আই এফ সি দিগী চাদ ১০.৭৬, টেক্নিকেল ইদুকেসনগী চাদ ১১.৮, এম আইগী চাদ ১৫.০৪, মহুদকী চাদ ২১.৪৮, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিজগী চাদ ২৮.৭, হোর্টিকলচর এন্দ সোইল কঞ্জার্বেসনগী চাদ ২৮.৮৯, ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিগী চাদ ৩২, পাৱারগী চাদ ৩৬, আর্ট এন্দ কলচরগী চাদ ৩৭.৭৫, পি ঐচ ই দিগী চাদ৪৯.৬, ইগ্রিকলচরগী চাদ ৪০.৯১, টুরিজমগী চাদ ৪৭.৬৯, হয়ার ইদুকেসনগী চাদ ৪৭.৮১, মেডিকেলগী চাদ ৫১.৬, ত্রাইভেল ৱেলফিয়ারগী চাদ ৫২.৬৬, স্কুল এদুকেসনগী চাদ ৫৩.৭২, সোসিয়েল ৱেলফিয়ারগী চাদ ৫৮.১, স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী চাদ ৬০.২৬ অমদি রুরেল দিভলপমেন্টকী চাদ ৮০.৭৭নি হায়রি।

ফেব্রুৱারি থাদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরগী খোঙচৎনা পরেং লেংগদৌরি

য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিংনা মণিপুরদা পায়খৎপা প্রোজেক্টশিং হকথেংননা য়েংশিল্লগদৌরি

এস এন এস

ইম্ফাল জনুৱারি ২৯ঃ চৎলিবা চহি অসিগী ফেব্রুৱারি থা অসিদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কয়া মণিপুরদা লাক্কুনা মফম অসিদা পায়খৎলিবা সেন্ট্রেল প্রোজেক্টশিং য়াওনা মীয়ামগী য়াইফ থৌরাংগী স্কিমশিং হকথেংননা য়েংশিনগদৌরি।

প্রেসনা ফংবা পাউ অমগী মতুংইন্না, লাক্কদৌরিবা ফেব্রুৱারি অহানবা চয়োলদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিংনা মণিপুরদা লাক্কুনা মফম অসিগী সেন্ট্রেল ইন্সটিট্যুটশিং য়েংশিল্লগদৌরি হায়রি। মিনিষ্টর কাঙবু অসিনা লম্ফেলপাত্তা লৈরিবা রিমস, ইরোইশেম্বদা লৈরিবা সেন্ট্রেল এগ্রিকলচর য়ুনিভর্সিটি, নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজিনচিংবা কয়া কোয়না চত্তুনা য়েংশিগদৌরি হায়রি। মিনিষ্টরশিংগী খোঙচৎ অসি মপুং ওইনা ইন্সটিট্যুসনশিং অসিগী মপাঙ্গল কলহন্নবা হকথেংননা য়েংশিনগদৌরিবনি।

নাকল অমরোমদা পাউমীশিংগা ৱারি শানবা অমদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি এদমিনিষ্ট্রেসন এম অস্নিকুমারনা হায়, ৱুমেন এন্দ চাইল্দ দিবলপমেন্ট, সি এ এফ এন্দ পি দি, সোসিয়েল জষ্টিস এন্দ এম্পৱারমেন্ট, সর্ফেস ত্রান্সপোর্টনচিংবা থৌ পুরিবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরগী টিম অমা তোঙান তোঙানবা খোঙচত্তা ষ্টেট অসিদা অথুবা মতমদা লাক্তুনা লমদম অসিদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং য়েংশিল্লগনি হায়বগী পাউ লৈরে।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ফোর সি এ এফ এন্দ পি দি রাম বিলাস পাসৱান নুমিৎ নিনিগী খোঙচত্তা ফেব্রুৱারি ১৪ অমসুং ১৫দা ষ্টেট অসিদা লাক্তুনা মিনিষ্ট্রি অসিগী মখাদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং হকথেংননা য়েংশিল্লগদৌরি। মিনিষ্টরগী খোঙচৎ অসিদা ষ্টেট বি জে পি লুচিংবশিংগা হিরম কয়াগী মতাংদা পুন্না মীফম পাংথোক্তুনা নৈনগনি।

লাক্লিবা ফেব্রুৱারি ৬তা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ফোর সোসিয়েল জষ্টিস এন্দ ইম্পৱারমেন্ট থৱারচান্দ গেহলোট মণিপুরদা লাক্তুনা লমদম অসিদা পায়খৎলিবা স্কিমশিংগী মতাংদা য়েংশিল্লগদৌরি। মসিদা নত্তনা ফেব্রুৱারি ৫ অমসুং ৬তা বি জে পিগী নেসনেলগী মশক নাইবা লুচিংবশিং ইম্ফালদা লাক্কুনা বি জে পিগী হোল অনি, ডা. শ্যামা প্রসাদ মুখর্জি হোল অমসুং দিন দয়াল হোলশিং শঙ্গাদুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নগদৌরি।

লুচিংবশিং অসিনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী মকোকথোংবা লুচিংবশিং, কোর কম্মিতি মেম্বরশিং, ষ্টেট ওফিস বিয়াররশিং, ওর্গনাইজেসনগী লুচিংবশিং, দিষ্ট্রিক্ট লেভেল প্রসিদেন্টশিংগা মীফম পাংথোক্তুনা ষ্টেট অসিদা পার্টি অসি মপাঙ্গল কলহন্নবা খন্নগদৌরি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিংগী খোঙচৎ অসিগা মরি লৈননা অমসুং লাক্কদৌরিবা এ দি সিগী মীফম অসিগা মরি লৈননা অহানবা তাঙ্কক্কী মীফম অমা বি জে পি ওফিসতা ঙসি পাংথোকখ্রে। মীফম অদুদা কুকি অমসুং নাগাগী লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি। অনিশুবা তাঙ্কক্কী মীফম অথুবা মতমদা পাঙথোক্লগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

এন দি এ লৈঙাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা নোর্ঠ ইষ্ট অমসুং জম্মু অমসুং কাশ্মীরগুম্বা

➤মখা লমায় ৫ কলম ৬ দা

ৱাখলগী চিঙ্খৈ

নঙগী ৱাখলদু নঙগী পুন্সিগী আর্কিটেক্টনি

[illegible]

ঙসিগী অঈং-অশাগী পাউ

খ্বাইদগী ঈংবা চাং ঃ	৬°
খ্বাইদগী শাবগী চাং ঃ	২৪°

নুমিৎ থোকপা অয়ুক পুং ৫.৫৮
নুমিৎ তাবা নুংথিল পুং ৪.৫৭

নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চাং চাদ ৪৭

মনুংগী লমায়দা

লমায় ২ ঃ
- বি জে পিগী মেনিফেষ্টো পুথোক্লোই, নুমিৎ খুদিংগী কেজ্রিৱালদা ৱাহং ৫ হংগনি

লমায় ৩ ঃ
- ড্রাইভর হেন্দিমেন অমদি শিন্মী ফাবগী থৌওং ত্রেদ য়ুনিয়নশিংনা কন্দেম তৌরক্লি

লমায় ৪ ঃ
- মফম চাদবা থৌবাল পার্কিং (এডিটোরিয়েল)

লমায় ৫ ঃ
- লুখ্রাবী মচা
- (ফুঙ্গা ৱারী-মীতৈ ময়েক)

লমায় ৬ ঃ
- রুশিয়াদা সেঙ্কসন থম্বগী মতাংদা ঈ য়ুনা খন্নগদৌরি

লমায় ৭ ঃ
- পেজ অমসুং হেঙ্গিস সেমি ফাইনেল চঙখ্রে নুপীগীদা সেরিনা অমসুং সারাপোভা ফাইনেলদা থেংনরগনি

লমায় ৮ ঃ
- ৱাহেংবম থোইবী চেলেঞ্জ হোকি ত্রোফি ৱাই সি সি আই সি, সিয়ো এ আর সি অমদি ঐচ য়ু মায় পাকখ্রে

গ্যাসকী পাউ লমায় ৫ দা

লিলোংদা বোম পোকখায়খ্রে এ আর ২ মীচম ৩ শোকখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল জনুৱারি ২৯ঃ থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবদা লৈবা লিলোং পুলিস ষ্টেসনগী এরিয়াদা শকখঙদবশিংনা হেন্দ গ্রেনেদ অমা লংশিন্দুনা এটেক্ট তৌরম্বদগী অসাম রাইফলসকী অনি অমসুং মীচম অহুম অশোক অপন নংদুনা তোঙান-তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে হায়রি।

প্রেসনা ফংবা পাউদা হায়রিবা থৌদোক অদু ঙসি নুমিদাং পুং ৬.৩০ রোম তাবা মতমদা লিলোং পুলিস ষ্টেসনগা থংনবদা লৈবা ৪০শুবা এ আরগী লিলোং পোষ্ট-দি কোইগী পার্সোনেলশিংনা মখোয়গী কম্পনি লৈরিবা মফম অদুদগী অৱাংলোমদা মিটর ৩০০ লোম চৎলগা লৈবা মফমদা ফ্রিস্কিং অমদি চেক্কিং চথরিঙৈদা ওটোরিক্সোদা লাকপা মীওই খরনা বোম লংশিল্লম্বনি থোকখিবনি হায়রি।

বোম লংশিল্লম্বা মীওইশিং অদু নাম্থোত্তুনা চৎখ্রবসু হায়রিবা নেসনেল হায়ৱেগী শরুক অসিদা এ আর পার্সোনেলশিংনা থিংবদগী থৌবাল তম্না চৎপা গাড়িশিং পুং কয়া অমা থিংদুনা চৎহনখিদে অমদি মদুনা মীয়ামদা চাওনা অকায়বা পীখি।

থৌদোক্তুদা শোকখ্রবা মীচমশিং অদুদি এমদি মোহৈজুদ্দিন (৪৫) অপোকপা অব্দুল লতিফ, লিলোং মাইরেলখুল, এম দি ৱাশিম (২০) অপোকপা তোম্বা, থৌবাল মোইজিং লৈতানপোক, বোবি লাইশ্রম (২৫) অপোকপা লৈখিদ্রবা তোম্বা, য়াইরিপোক্তা লৈবা মীওইশিংনি হায়রি।

থৌদোক্তুদা অশোক অপন নংখ্রবা অসাম রাইফলসকী পার্সোনেলশিং অদুনা নাইয়ক সুবিদার কুঞ্জমোহোন (৩৫) অমসুং রাইফলমেন দিপক (২৫)নি। মখোয় অনিমক কেরলাদগী ঙাক্তনি। শোক্লবা এ আর পার্সোনেলশিং অদু রিমসতা পুখৎতুনা লায়কন্নরি অমসুং মীচমশিংগী মনুংদা এম দি মোহৈজুদ্দিন অমসুং এমদি ৱাশিম অনিনা শিংজমৈদা লৈবা ইবোয়াইমা রিসার্চ সেন্টর হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি অমসুং বোবি লাইশ্রম্না এদভান্স হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নরি হায়রি।

মীয়ামগী চখোক-চৎশিনদা এ আর পার্সোনেলশিংনা থিংখিবা অদু কাইনথংদা পুলিসনা ঙাক শেন্দুনা লম্বী অদুদা থৌবাল অমদি মখা তানা চৎখিগদবা লম্নাই গাড়িশিং অমদি পেসেঞ্জরপুবা গাড়িশিং চৎহনখি হায়রি।

এনকাউন্টরদা কে এন এফ (এন)গী কাদর ২ শিখ্রে ৩ শোকখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল জনুৱারি ২৯ঃ পি আই বি (দিফেন্স) ৱিংগী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ঙরাং জনুৱারি ২৮গী নুমিদাং পুং ৭.৩০ রোম তাবা মতমদা কাংচুপ এরিয়াদা রেদ সিল্দ দিভিজনগী পার্সোনেলশিংগা খুৎ থোক্লবগী থৌদোক অমদা কে এন এফ (নেহলুন)গী কাদর ২ শিখ্রে অমসুং ৩না অশোক অপন নংখ্রে হায়রি।

থৌদোক অদু অন্দরগ্রাউন্দ কাদর ৬না চেভরোলেট কার নম্বর দব্লীয়ু বি ০২- এক্স ৬৮০৯দা লাকপা মতমদা কাংচুপ অমসুং কদাংবন্দ অনিগী মরক্তা লৈবা মোবাইল ভেহিকল চেক পোষ্ট অমদা নোংমৈ কাপশিল্লম্নগা চেনখিনবা হোৎনবদা থোকখিবনি। থৌদোক্তুদা চেক পোষ্ট অদুদা লৈরিবা লান্মীশিংনসু হন্দুনা কাপখি। থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং সেক্যুরিটি ফোর্সশিংনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা কাদর অনিগী অশিবা হকচাং অমসুং অশোকপা মীওই ৩ থেংনখি হায়রি।

শোক্লবা কাদরশিং অদু খুদক্তা ইম্ফালগী রিমস হোস্পিটালদা পুখৎখি অমসুং মখোয়শিং অদু সপরমৈনাদগী হেলেন কিপগেন এলাইজ লামুৱাং কিপগেন (৩০), কৈথেল মানবীদগী মামাং কিপগেন (২৫) অমসুং মফম অদুমক্তুদগী থাংগৌলেন খোংসাই (২২)নি হায়বা খঙবা ঙমখি।

মতুং তারকপদা লমশাং পুলিস ষ্টেসনগী টিম অমা থৌদোক থোকফমদা চংশিল্লকখি অমসুং মফমশিং অদু কুপ্না থিজিন হুমজিনবগী থবক চথবদা কার অদুগী মনুংদা নাইন এম এমগী পিষ্টোল ২, মেগজিনগা লোয়ননা ফংখি অমসুং মদুদা মরু রাউন্দ ১৩, দিতোনেটর ৫ অমসুং অতোপ্পা এক্সপ্লোসিপশিং ফংবা ঙমখি। ঙসি অয়ুক অঙনবদা থৌদোক থোকফম অদুদা পুলিস ফোরেন্সিক টিম লাক্তুনা য়েংশিনখি হায়রি।

সেন্সসতা অচুম্বা দাটা পিবনা লৈঙাক্না থৌরম থৌশিলশিং পায়খৎপদা খুদোং চাহনগনি

এস এন এস

ইম্ফাল জনুৱারি ২৯ঃ চহি ১০ খুদিংগী পাংথোক্লিবা সেন্সস (মীকোক থিবা)গী থবক থৌরমশিংদা মীয়াম্না অচুম্বা মরিক চুম্বা ৱারোলশিং পীহৌবনা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী য়াইফ-থৌরাংগী থবক থৌরমশিং পায়খৎপদা চাউনা খুদোংচাহনবতা নত্তনা মীয়ামগী তঙাইফদবা পোৎলমশিং অসি ফংহনবদা মতেং ওইগনি হায়না ডাইরেক্টোরেট ওফ সেন্সসকী ডাইরেক্টর ৱাই থমকিশ্বরনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি ইম্ফালগী ষ্টেট গেষ্ট হাউসতা পাংথোকপা নোংমগী ওইবা খ্বাইদগী নৌনা ফোঙখিবা ইং ২০১১গী সেন্সস অদুগী মতাংদা দাটা দেসিমিনেসন ৱার্কশোপ হৌদোকপগী থৌরমদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না মখা তানা হায়, চহি ১০ খুদিংগী চথরিবা সেন্সসকী থবক অসিদা য়ুম য়ুমদা লৈরিবা মীশিংগী মরুওইবা ইনফোর্মেসন অদু নিংথিনা পীবীগদবনি। ঙসিগী ৱার্কশোপ অসিদা মপুং ওইনা দিসএবল দাটা, সেন্সস ২০১১, ৱার্ক পার্টিসিপেসন রেট, সেন্সস ২০১১, সিঙ্গল এজ দাটা, সেন্সস ২০১১অমসুং সেদ্যুল কাষ্ট এন্দ সেদ্যুল ত্রাইব সেন্সস ২০১১গী মতাংদা কুপ্না নৈনগনি।

দিসএবলিটি সেন্সস অসিদা মীওইশিং অসি করম্না মওংদা দিসএবল ওইরিবনো হায়বদু য়েংশিনবগা লোয়ননা মদু খঙলবা মতুংদা লৈঙাক অসিগী সোসিয়েল ৱেলফেয়ার লোয়শঙনা মখোয়গী ওইবা য়াইফ-থৌরাংগী থৌরম থৌশিলশিং লৌখৎকদৌরিবনি।

ঙসিগী ৱার্কশোপ অসিদা ইং ২০১১গী ফোঙখিবা সেন্সস অদুগী মতুং তারকপদা লৈরিবা রিপোর্টশিং অদু মীয়ামদা খঙহনবনি।

অসিগুম্বা থৌরম অসি পাংথোকপনা সেন্সসকী থবক তৌরিবা কাঙবুদা মীৎ নাকোং শিংহনগনি। থবক অমা তৌবা মতমদা নত্রগা চাউখৎ থৌরাংগী থবক পায়খৎপা মতমদা অসিগুম্বা দাটাশিং অসি দরকার লৈরিবনি।

থৌরম অদুদা সেন্সসকী থবক থৌরমশিংদা মপুং ফানা থবক ফজনা তৌখিবা মীওইশিংদা মেদল অমসুং সর্টিফিকেটশিং য়েন্থোকখি।

ঙসিগী ৱার্কশোপ অদুদা সেন্সস ওপরেসনগী দিপ্যুটি ডাইরেক্টর বলৱন্ট রাইনা দিসএবল দাটা, এম য়ুগী ইকনমিক্স দিপার্টমেন্টকী এসোসিয়েট প্রোফেসারশিং ডা. এন দামুদোরনা ৱার্ক পার্টিসিপেসন রেট অমসুং ডা. এম হেমন্তনা সিঙ্গল এজ দাটাগী মতাংদা রিসোর্ছ পার্সন ওইনা ৱা ঙাংখি। লোয়ননা ডাইরেক্টোরেট ওফ সেন্সসকী সেনিয়ার কন্সলটেন্ট ডা. অমুমচা থোকচোমনা এস সি অমসুং এস টি সেন্সস, ২০১১গী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

ওইনাম গ্রেজিং গ্রাউন্দ লৌশিনবগী মায়োক্তা চংশিনবা খোঙজং হন্দোকখ্রে

লৈঙাক্না অচুম্বা খোঙথাং লৌখৎলক্তবদি হেন্না কনবা খোঙজং চখগনি ঃ কম্মিটি

এস এন এস

ইম্ফাল জনুৱারি ২৯ঃ মণিপুর লৈঙাক্না বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনাম তাংলৈহাদ ওকশোয় গ্রেজিং গ্রাউন্দগী লম একর ১৮৮.৭৫ লৌশিন্দুনা ভেটিরিনারি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি লোয়শঙগী শজিক থানবগীদমক এল্লোটমেন্ট পিখিবগী মায়োক্তা ওইনাম তাংলৈহাদ ওকশোয় প্রোটেক্সন কম্মিতিনা ঙরাংদগী হৌদুনা চংশিল্লকপা পুং ৪৮গী নেসনেল হায়ৱে-১৫০ থিংবগী খোঙজং চিফ মিনিষ্টরনা থাজবা পীরকপগী মতুংইন্না মতম খরগী ওইনা কোমথোকখ্রে। লৈঙাক্না অচুম্বা খোঙথাং লৌখৎলক্তবদি হেন্না কনবা খোঙজং চংশিল্লকপা য়াই হায়না প্রোটেক্সন কম্মিতি অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ঙসি ওইনাম খাবম ইরৈমা হরাউবুংদা পাংথোকপা পাউমীশিংগা উনবা অমদা কম্মিতি অসিগী মহুৎ শিল্লগা ওইনাম নগর পঞ্চায়টকী চেয়ারপার্সন ওইনাম বুদ্ধিনা হায়, মণিপুর লৈঙাক্না ওকশোয়গী শঙ্গাবুং অসিবু লৌশিল্লগা ভেটিরিনারি এন্দ এনিমেল হজবেন্দরি লোয়শঙদা শিন্ননবা থৌরাং লৌখৎলকপগী মায়োক্তা ওইনাম প্রজাশিংনা হৌখিবা জনুৱারি ২৮ অমসুং ২৯দা নেসনেল হায়ৱে-১৫০ থিংবগী খোঙজং চংশিনখিবনি।

ঙরাং লমদম অদুগী মীয়াম্না হৌখিবা ইহৌদা পুলিসকা মুক্নবদা মীওই কয়া অশোক অপন নংখিবনি। অদুবু নুমিদাং কেন্দ্রগী মীহুৎ ওইরিবা এম এল এ ডা. আই ইবোহলবী য়াওনা চিফ মিনিষ্টর, দিপ্যুটি চিফ মিনিষ্টর অমসুং অতোপ্পা মিনিষ্টরশিং য়াওনা প্রোটেক্সন কম্মিতিগী মীহুৎশিংগী উনবদা য়ান্নবা অমা পুরকপদগী খোঙজং হন্দোক্লবগী ফিরেপ অসি লৌরকপনি।

চিফ মিনিষ্টরগা উনবা অদুদা ভেটিরিনারি দিপার্টমেন্টতা পীখিবা লম অসি ফেব্রুৱারি অহানবা চয়োলদা পাংথোকপা কেবিনেট মীফম অমদা রিভিয়ু তৌগনি হায়বগী থাজবা পীরকপগীদমক চিফ মিনিষ্টরবু থাগৎপা ফোঙদোক্লি হায়খি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা কেন্দ্র অসিগী মীহুৎ ওইরিবা এম এল এ ডা. আই ইবোহলবীনা হায়, ওইনাম খুলগী ওকশোয়পাৎ অসি অৱাংদা য়াঙ্গোয় মরিল, খাদা মৈচাকপী, নোংপোক্তা য়ংবি অমসুং নোংচুপতা ময়াংপাৎনা কোইশিনলিবনি।

পাৎকী শরুক অসি ইং ১৯৫৪দা মতম অদুগী চিফ কম্মিস্নারনা হান্না ফিসরিজগী লম ওইরম্বদগী লৌথোক্লগা খুলগী শঙ্গাবুং ওইনা খাক্তুনা থম্লম্বনি।

মসিগী মতুং তারকপদা ইং ১৯৭২গী এপ্রিল ১৯দা মতম অদুগী ডাইরেক্টর

➤মখা লমায় ৫ কলম ৬ দা

পি ঐচ দি পীরক্লে

এস এন এস

ইম্ফাল জনুৱারি ২৯ঃ শগোলবন্দ তেরা তোংব্রম লৈকাইদগী কুমারি তোংব্রম রঞ্জনা দেবীদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কাঞ্চিপুরনা দোক্তর ওফ ফিলোসোফি দিগ্রি পীরক্লে।

কুমারি রঞ্জনা, তোংব্রম ইবোপিশক সিংহ অমসুং তোংব্রম ওংবী সিবাসিনি দেবীগী মচানুপীনি। মহাক্কী পি ঐচ দি থেসিসনা "ষ্টদিজ ওন ইন্টিগ্রেটেদ মেনেজমেন্ট ওফ ৱিল্ট ওফ পিজন পি (কজানস কজান) ইন মণিপুর" হায়বসিনি।

মহাক য়ুনিভর্সিটি অসিগী লাইফ সাইন্স দিপার্টমেন্টকী হেদ ওফ দিপার্টমেন্ট প্রোফেসার জি এন কে ছেত্রিগী মখাদা রিসার্ছ তৌরকপনি। মহাক্না রিসার্ছ তৌরিঙৈগী মনুংদা রিসার্ছ পেপর ৫ ফোঙখি। কুমারি রঞ্জনা হৌজিক এস মোংবুং হায়স্কুল, সেনাপতিদা আর এম এস এ রেমসা গী মখাদা সাইন্স গ্রেজুয়েট টিচর ওইনা থবক তৌরি।

[illegible]

[illegible]

দিমাপুর লম্বীদা আইনগী ৱাংমদা টেক্স য়াম্না লৌবনা ভরা য়াম্না হেনগৎহল্লে

এস এন এস

ইম্ফাল, জনুৱারি ২৯ ঃ ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা মীপুবা পেসেঞ্জর অমদি টেক্সি সার্ভিস তৌরিবা গাড়িশিংদগী নাগালেন্দ মনুংগী পুলিস, নার্কোটিক এক্সাইজ দিপার্টমেন্টকী চেক পোষ্টশিংগী মথক্তা য়ুনিয়ন কয়ানা আইননা য়াদবা মওংদা টেক্স ওইনা চাওরবা শেনফম খোমগৎলি হায়না দিমাপুরগী পাউ অমনা ফোংদোরক্লি।

দিমাপুরদগী ইম্ফাল তম্না লাকপা গাড়িশিংদগী তোঙান-তোঙানবা চেক পোষ্ট ১০দা অদুগা ইম্ফালদগী দিমাপুরদা চংখিবা গাড়িশিংদগীনা চেক পোষ্ট ১২দা তোঙান-তোঙাননা শেনফমগী টেক্সশিং নমদুনা লৌরি।

পুন্নমক অসি ভারত সরকারগা নোংমৈ কাপ্নবা লেপ্তুনা লৈরিবা লালহৌলুপশিং অমদি সরকারগা মরী শম্নদ্রিবা লালহৌ লুপশিংনা নমদুনা খোমগৎলিবা টেক্সশিং অসিগী মথক্তনি।

পুন্নমক অসিনা মরম ওইরগা লম্বী অসিদা চৎপা পেসেঞ্জরশিংগী ভার অসি লৌফম থোকপা চাংদগী কা হেন্না ৱাংনা লৌনবগী মরম ওইহল্লে হায়রি।

ইম্ফালদগী দিমাপুর তম্না চৎখিবা মী পুবা গাড়িশিংদগী নাগালেন্দ মদুংদা আইনগী ৱাংমদা টেক্স লৌরিবা গেটশিং অমদি মখোয়না লৌরিবা পৈশাশিং অদুদি চুমাকেদিসা পুলিস চেক গেট লুপা ২০০, চুমাকেদিমা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল গেট লুপা৩০, চুমাকেদিমা এক্সাইজ চেক গেট লুপা ৫০, লালমাতি পুলিস চেক গেট লুপা ১০০, কোহিমা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল গেট লুপা ৫০, কোহিমা টাকন্দ লুপা ১০০, ফেসমা পুলিস গেট লুপা ১০০, খুজুমা এক্সাইজ গেট লুপা ৫০, খুজুমা পুলিস চেক গেট লুপা১০০ অমদি খুজুমা নাকোর্টিক সেল লুপা ৫০ নি।

দিমাপুরদগী ইম্ফাল তম্না চৎখিবা মী পুবা গাড়িদগী লৌরিবা টেক্স অসিনা খুজুমা পুলিস চেক গেট লুপা ১০০, খুজুমা নার্কোটিক সেল লুপা ৫০, ফেসমা পুলিস চেক গেট লুপা ১০০, কোহিমা ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল লুপা ৫০, জখমা টোল টেক্স লুপা ২০, লাল মাতি টোল টেক্স লুপা ২০, খামপানি টোল টেক্স লুপা ২০, চুমাকেদিমা পোলিস চেক গেট লুপা ১০০, ত্রাফিক পুলিস দিমাপুর পার্কিং টেক্স লুপা ৫০০, ব্লু হিল পার্কিংদা থাবা টেক্সি খুদিংমক্তগী নোংমদা লুপা ৫০নি।

মসিগীসু মথক্তা বস য়ুনিয়ন দিমাপুরনা থা খুদিংগী টেক্সি খুদিংদগী লুপা ৫০০ সু লৌরি।

! হেক্তা হায়জিনবা !

- *সরকারগী দিপার্টমেন্টশিংদা শিজিন্নৌ হায়দুনা শিন্নবা পৈশা অমত্তা শিজিন্নদ্রে হায়রিনে।*
- *শিজিন্ননবা পৈশা শিজিন্নবা হৈত্রবা, করিগীনি হায়বগে।*
- *মরম খরদি লৈরমগনি। খরচ তৌনবা পীবা খরচ তৌবা হৈতবা হৌনদেদা।*
- *ঐনা খনবা অমদি লৈয়ে।*
- *করিনো হায়য়ুনে।*
- *নিয়ম চুম্না শিজিন্নৌ শোইদনা হায়রমগনি।*
- *চুম্মি নিয়ম চৎতবা লৈবাকসিদা নিয়মদা থবক তৌ হায়রুবদি কদাইদগী য়ারদগে।*
- *ফাইল তান্ননবা পৈশা থাদবীনবা মী লাক্লমদবসু য়াই।*
- *নংগীসি মরম য়াম্না পুথোক্কদৌরে। হেক্তা হায়জিনবদি নত্তেকো।*

লোইরেদনা

[illegible]
ঙরাং পুংখায়মুক কান্নরবা মতুংদা মখোয়দগী ফংখিবা খুৎলায়নি...



[illegible]
সার, অতৈদি খঙদে, কাপনু কাপ্পুরবা পিস্টোল মচা অমখক্তমক পায়রম্মী, সিদনী জ্ঞান তাদ্রিসে ঐখোয়না....

অতাবা মমলদা খুদোংচাবা পীজরি

লৌবীহৌ লৌবীহৌ

অনৌবা চহিগী অনৌবা খুদোল

'সনালৈবাক' পাউচে না

পীরিবা খুদোংচাবসি লৌবিহৌ

শুপ্নতগী লুপা ৩০০ /- দা

এদভর্টিজমেন্ট তৌবীয়ু

১) পোৎ-চৈ অমদি মী মাংখিবগী
২) গ্যাস কার্দ, বেঙ্ক পাসবুক, এ টি এম কার্দ,পান কার্দ, মনি বেগ অমদি চে-চাং তাহৌবগী
৩) পোৎ-চৈ অমদি য়ুম ইঙ্খোল লৈবা য়োনবগী
৪) মীগী মিং ওনবগী
৫) লৈফম হোংবগী
৬) জোব ভেকেন্সি কৌবগী

অকক্লবা মতমনি, মার্চ ৩১,২০১৫ ফাওবদংনি

এদভর্টাইজিং মেনেজর